**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম অমসুং বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রালয়গা ৱারী শান্নরুনবা নাগা সি.এস.ওগী মীওই ১১ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা চৎখ্রে।

২) মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইরিবা আজয় কুমার ভল্লা ঙসি নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

৩) রিজার্ভ ফোরেষ্টতা লম খোপচিনদুনা আইনা কায়না য়ুম কৈ শাজিল্লিবশিং রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

৪) মীয়ামদা পাউ চেশিং ফংহল্লিবা হোকর্সশিংগী নুমীৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং ফিজিনা তেরোরিজম পুন্না থেংনমিন্নবা হায়না য়ান্নখ্রে।

------

য়ুএনসি (এল)ঃ ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম (এফ.এম.আর) অমসুং বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রালয়গা ৱারী শান্নরুনবা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি), ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর (অনসম) অমসুং নাগা ৱিমেন

য়ুনিয়নগী মীওই ১১ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা চৎখ্রে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী এ. হেখিনিনা হায়- মীহুৎ কাংবু অদু গৃহ মন্ত্রালয়গী নোর্থ ইষ্ট এদভাইজরনা ৱারী শান্ননবা কৌরকপদগী চৎখিবনি। মীহুৎ কাংবু অসিদা য়ু.এন.সিগী প্রসিদেন্ট এন.জি. লোরহো, অনসমগী প্রসিদেন্ট টি.ঐচ. অংতেসাং মরিং অমসুং নাগা ৱিমেন য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সি.ঐচ. প্রিসিলা থিউমাই য়াওরি।

পনবা য়াই, নাগা সি.এস.ওশিংনা বোর্দ ফেন্সিং তৌদনবা অমসুং এফ.এ.আর লৌথোকপগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা লাকপনি। হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নরবা য়াই হায়রি।

গভর্নর (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইরিবা আজয় কুমার ভল্লা ঙসি নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মহাকপু গুৱাহাতি হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস- অসুতোস কুমারনা কোহিমাগী রাজ ভবনদা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

নৌনা নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইরবা আজয় কুমার ভল্লানা হায়- নাগালেন্দবু লৈবাক অসিগী অতৈ রাজ্যশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা সরকার, সি.এস.ওশিং অমদি নাগরিক খুদিংমকা পুন্না থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরক্লি। লৈবাক অসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফানা চাওখৎলবা বিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী মঙলান মঙফাওননবা হোৎনবদা নাগালেন্দসু অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। মসিগীদমক ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়বসি ঐখোয়গী তৌফম থোকপনি।

নীংশিংবা য়াই, নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইরম্বা লা গনেসন লৈখিদবদগী শ্রী আজয় কুমার ভল্লাবু নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইননবা অহেনবা থবক শিন্নরকপনি।

ঙসিগী ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিও, উপ-মুখ্য মন্ত্রি টি.আর. জেলিয়াং, এম.পি- ৱাই. পেতোন, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা গার্দ ওফ ওর্নর পীখি। তুংদা রাজ্যপালনা মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওগী মন্ত্রি মন্দলগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। রাজ্যপাল অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা কোহিমা ৱার সিমিত্রিদা চত্তুনা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

এক্সাইস (এল)ঃ   মণিপুর এক্সাইজগী রেজিং ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী লমফেলদা লৈবা এক্সাইজগী হেদক্কাটরদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর সরকারগী এক্সাইজ বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার, সৈলেস কুমার চৌরাসিয়ানা হায়- মণিপুর অসি দ্রাই ষ্টেট ওইরম্বদগী সরকারনা লিকর লাইসেন্স চৎনহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে। মসিদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনসু মতম মতমগী ওইনা ওথোরিতিনা পীরকপা থবক থৌরমশিং পাঙথোকবগী শেম শাদুনা লৈবা তঙাইফদে। সরকার অমা চলাইবদা টেক্স অমসুং রেভিন্যু নিংথিনা লাকহন্নবগী থবক থৌরমশিং মরী লৈনবা বিভাগশিংনা পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু কন্ত্রি লিকর ওইরবসু ফোরেন লিকর ওইরবসু পোৎলমশিং অসি কন্ত্রোল অমগী মখাদা থম্বা মথৌ তাই।

থৌরম অদুদা এক্সাইজ বিভাগকী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেসনশিংদগী মথৌ নিংথিনা তৌবা ওফিসারশিং অমসুং পার্সোনেলশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

বিজেপি (এল)ঃ   ভারত সংবিধান শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ডাঃ ভিমরাও অম্বেদকরগী নৌনা শাবা মীতম অমা ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা  বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদানা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি পদ্মশ্রী থৌনাউজম চাউবা, রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ইভিক্সন (এল)ঃ দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস থৌবালগী মনুং চনবা গ্বারোক রিজার্ভ ফোরেষ্টতা লম খোপচিনদুনা আইনা কায়না যুম কৈ শাজিল্লম্বশিং ঙসিদগী তকথোকপা হৌখ্রে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোহনা হায়- দি.এফ.ও ডাঃ লৈশাংথেম জেসিলিগী মীৎয়েং মখাদা নোংপোক সেকমাই পুলিস, থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসার দিনেশ চন্দ্র শলামনা লুচিংবা ওফিসিয়েল কাংবু অমনা গ্বারোক রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুং চনবা লাংমৈথেত অমসুং শারম এরিয়াদা আইন কায়না শাজিল্লম্বশিং ঙসি তকথোকখি। ঙসিদগী চত্থবা হৌরিবা দ্রাইভ অসি মখা তানা চত্থখিগনি। মরম অদুনা গ্বারোক রিজার্ভ ফোরেষ্টকী অকোইবদা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং মশা মশানা লৌথোকবা আপীল তৌরি।

দে (এল)ঃ রাজ্য অসিদা মীয়ামদা ঈ-পাউ ফঙহন্নবগীদমক পাউ চেশিং য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা হোকর্সশিংগী নুমীৎ-৪৪ রক শুবা হোকর্স দেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর হোকর্স এসোসিয়েসন না শিন্দুনা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থেরম অদুদা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) গী প্রসিদেন্ট এস. ব্রোজেন, মণিপুর হোকর্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাঙখেম অজিৎ, ইদিটর গিল মণিপরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্রা খোমদ্রাম অমসুং ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিস উনিয়নগী প্রসিদেন্ট অসেম বক্তা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থোদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবা হোকরশিংগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি অমদি অহল ওইরবা হোকরশিংদা পেন্সনগী শেনফমশিংসু য়েন্থোকখি।

নোনে (এল)ঃ কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি বন্দি শঞ্জয় নোনে জিলাদা লাক্কদৌরিবা অসিগী মাংওইননা জিলা থাক্কী ওইবা মীফম অমা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরথচন্দ্র অরোজনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা নেসনেল হাইৱেদগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্স তাবা লম্বী নিংথিনা শেমজিন্নবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলদা খঙহনখি। লম্বীদা লৈরিবা পোট হোলশিং মেনশিন্নবা অমদি নিংথিনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়ানবা মওংদা শেমজিন্নবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়ার রেলৱেগী ষ্টাফশিংদসু খঙহনখি। জিলা অসিদা লৈরিবা বিভাগ অয়াম্বগী ওফিসিয়েলশিং মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া কৃষি বিকাশ য়োজনাগী মখাদা বিষ্ণুপুর জিলাগী খনগৎলবা লৌমীশিংদা বেটরিনা চলাইবা স্পেয়র পম্প অমসুং হেন্দ ৱিদরশিং য়েন্থোকখ্রে। পোৎলমশিং অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা য়েন্থোকখি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পি য়াওনা পুন্না খনগৎলবা লৌমী ৩৯ লোমদা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন ওফিসার শোইবম শুশিলাসু শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ রাজ্যগী হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগকী মখাদা বিগ্যানিক ওইবা মওংদা লৌউ শিংউ তৌবা অমদি লৌ লোকখ্রবা মতুংদা হোর্তিকলচরগী মরু মরাংশিং থাবা হায়বসিগী মতাংদা লৌমীশিংদা নিংথিনা খঙহনবগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ককচিং খুনৌগী ইবুধৌ খল্লাংবা লাইকোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু সেল্ফ হেল্প কমিতি ককচিং খুনৌনা শিনবনি। মদুদা কলেজ ওফ এগ্রিকলচর ইরোশেম্বগী ইনতোমোলোজি প্রোফেসার- ডাঃ খুমুকচম ইবোহল, দিষ্ট্রিক্ট হোর্তিকলচর এন্দ সোইল

কঞ্জার্ভেসন ওফিসার খাইদেম মালেমঙানবা য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কোবিদ (এল)ঃ    রাজ্য অসিদা ঙসি মীওই অমা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই অনি, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অমা পুন্না মীওই অহুম টেষ্ট তৌবদা ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই অমা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। হৌজিক এক্তিভ কেস ৩ লৈরি।

পোইরৈ (এল)ঃ পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী ৪০ শুবা মপোক নুমীৎকী পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ওল মণিপুর য়ুনইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং না হায়-রাজ্য অসিদা থোকপা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা সি.এস.ও শিং, মহৈরোই লুপশিং অমসুং মৈরা পায়বী লুপশিংনা মপুং ওইবা থৌদাংশিং লৌদুনা লাকখি। হৌজিকসু মখা তানা অদুমক থৌদাংশিং লৌরি। অদুবু হৌজিক অসি নুপীশিংগী ওইবা ইহৌনা হেন্না চৎপগী ফিবম অমা লাক্লী। মসি ইরৈপাক ইরমদম অসিবু শেংনা নুশিজবানা মরম ওইদুনা ফাউরকনা ইহুল অদুনানি। মশি য়ামা য়াম া ইকাই খুমনিঙাই ওই। অদুবু নুপীশিগী ঈহৌ অসি ইমা মৈরাপাবী লুপশিং অসিগা পুন্সিন্দুনা পুন্না চৎমিন্নরবদি হেন্না মপুং ফাবা, তুং কোইবা ৱারোইশিন অমা লাকপা ফাউবগী পন্থুং অদু য়ৌনা চৎপা ঙমগনি।

থৌরম অসিদুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইন্মা লুপশিং য়াওনা অতৈ লুপশিংগী লুচিংবা অমদি লুচিংবীশিং শরুক য়াখি।

ধারনা (এল)ঃ ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী রিগুলর ওইবা ভাইস চান্সেল্লর অমা হাপ্পু হায়বা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তৌরদুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা থা অসিগী ৩০

ফাওবগী মনুংদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী রিগুলর ভি.সি অমা হাপ্পীনবা রাজ্যপাল য়াওনা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

মেট(এল)ঃইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা নোং চুরবা য়াই। হয়েংনা রাজ্য অসিগী চীংগী জিলা ৫ দা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। জিলাশিং অদুদি-তামেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোল নি।

লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা রাজ্যশিংদা অকনবদগী য়ামা কনবা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। পাউ অসিনা হায়-গুজরাট, উরিষা, রাজস্থান অমসুং উট্টরাখন্দগী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবা অকনবদগীনা য়ামা কনবা চাংদা নোং চুগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফিজিগী প্রধান মন্ত্রি সিতিভেনি রাবুকাগা ঙসি নিউ দিল্লিদা মীফম পাংথোক্তুনা লৈবাক অনিনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্ননবা য়ান্নখ্রে।

লুচিংবা অনিনা পহলগাম টেরর এটেক্তা মরাল লৈজদবা মীওই ২৬ হাৎখিবগী থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

মীফম অদুগী মতাংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি নিনা মালহোত্রানা হায়- মীফম অদুদা লুচিংবা অনিনা য়ান্না চেরোল কয়া সহি তৌনখি। মদুদা লৈবাক অনিনা অমগা অমগা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবা, লল্লোন ঈতিক, লৌউ শিংউ, শিক্ষা, হকশেল, ঙাকশেল য়াওনা লম কয়াদা তেংবাং পীননবা য়ান্নখি। পানবা য়াবদি, ফিজিগী প্রধান মন্ত্রি অসি নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙরাং ভারত্তা থুংখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা লৈবাক অদুগী হেলথ এন্দ মেদিকেল সার্ভিসকী মন্ত্রি রাতু অতোনিও লালাবলাবু অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েল লোয়নরকখি।

কোচি ঃ  লোক সম্বরধন পর্বা ফেষ্টিভেলগী মঙাসুবা ইদিসন হয়েংদগী মথং থাগী মরি ফাওবা কেরলাগী কোচিদা পাঙথোক্লগনি। মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রালয়না শিনবা নুমিৎ ১০ নিগী থৌরম অসি কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি জোর্জ করিয়ান্না হৌদোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা অর্তিসান ১০০ অমসুং কুলিনারি এক্সপার্ট ১৫ শরুক য়াগনি।

লোক সম্বরধন পর্বা অসি মাইনোরিতি কম্ম্যুনিতিশিংগী ওইনা খুৎ-শা হৈবগী লমদা থবক তৌরি আর্তিসানশিং, ক্রাফটস পার্সনশিং, ফিশাবীশিং, কুলিনারি এক্সপার্টশিং অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা মখোয়না শেম শারিবা পোত্থোকশিং য়োন্নবগী মফম অমা পীনবা অমসং জাতিগী ওইনা মশক খঙহন্নবা মন্ত্রালয়না পায়খৎলকপা ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামগী শরুক অমনি। মসিনা মখোয়না পুথোক্লিবা খুৎ-শা হৈবগী পোত্থোকশিং অদু উৎথোকবগী মফম পীবতা নত্তনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

মিরাবাইঃ  গুজরাতকী অহমেদবাদতা চৎথরিবা কম্মনৱেলথ ৱেথ লিফতিং চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরগী তোকিও ওলিম্পিক সিলভর মেদালিষ্ট মিরাবাই চনুনা কিলোগ্রাম ১৯৩ থাংগৎতুনা সনাগী তকমান লৌখ্রে।

ফুটবোল ঃ  জোরহাৎ ষ্টেদিয়মদা চৎথরিবা সবজ্নিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচ অমদা মণিপুরনা দিল্লিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। মেটচ অসিদা মণিপুর টিমগী শান্নরোই কে.নন্দিনি দেবীনা মেটচকী মিনিত ৩৬ চৎপদা পাঞ্জল ১ অদুগা অনিসুবা হাফকী মিনি ৩ শুবা টি.ঐচ. মালেমঙানবীনা পাঞ্জল অমা চনদুনা

মণিপুরবু মায় পাকহনখি। থা অসিগী ২৮ দা মণিপুরগা বিহারগা সেমি ফাইনেল শান্নগনি।

ফুটবোল ঃ  কাফা নেসন্স কপ ২০২৫ তা শরুক য়াগদবা ভারতকী টিম লাউথোকপদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৭ য়াওরে। তাজিকিস্তান অমসুং উজবেকিস্তাননা য়ুন্সু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কাফা নেসন্স কপ থা অসিগী ২৯ দগী হৌরগনি। কপ অসিদা ভারতনা অহানবা ওইনা শরুক য়াবনি।

ফুটবোল ঃ  তমেংলোং ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খৌপী লুৱাং ৱাই.সিনা ফালোং ৱাই.ওবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে। হয়েং দাইলোং ৱাই.ও অমসুং মোদেল বি.সি শান্নগনি।

------